**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 10-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মণিপুর খোঙচৎকী মাংওইননা বি.জে.পিগী লুচিংবা অনি ডাঃ সম্বিত পত্র অমদি ডাঃ অজিৎ মাধব রাও ঙসি ইম্ফালদা এম.এল.এশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে।

২) মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকপগুম মনিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন নুমিৎ পালন তৌখ্রে।

৩) হন্দক্তা নৌনা শেমদোকখিবা জি.এস.টিনা ওতো-মোবাইল অমদি ইন্দষ্ট্রিগী সেক্তর য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা কান্নবা পীরগনি।

অমসুং

৪) নেপালদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী য়েংলগা ভারত অমদি নেপালগী ঙমখৈদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং মীকুপ নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে।
ভারত মচাশিং নেপালদা চত্তনবা কেন্দ্র সরকারনা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে।

------

সম্বিত (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মণিপুর খোঙচৎকী মাংওইননা ভারতিয়া জনতা পার্তিগী অৱাং নোংপোক লমদমগী ইনচার্জ ডাঃ সম্বিত পত্র অমদি মণিপুর ইনচার্জ ডাঃ অজিৎ মাধব রাও গোপচারে ঙসি ইম্ফালদা থুংলখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ১ খরা হেল্লকপা অদুৰাইদা শ্রী সম্বিত পত্র অমদি অজিৎ মাধব রাও গোপচারেনা ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা থুংখি। মখোয়বু বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ. সরদা, এম.এল.এ থৌনাউজম বসন্তকুমার, লৈশাংথেম শুশিন্দ্রো, ডাঃ শাপম রঞ্জন্না এয়ারপোর্টতা তরামা ওকখি। তুংদা, নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা বি.জে.পিগী এম.এল.এশিং অমদি পার্তিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অসিগী মতুংদা বি.জে.পিগা চৎমিন্নরিবা অতোপ্পা দলশিংগী এম.এল.এশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শাখি হায়রি।

ডে(এল)ঃ মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকপগুম মনিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন নুমিৎ পালন তৌখ্রে।

মপুং ওইবা থৌরম নেসনেল মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রাম, নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুর অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেসনা পুন্না শিনদুনা দি.এম. য়ুনিভরসিতিগী কলেজ ওফ কর্ম্মসকী য়ুটিলিতি হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: চমবো গোনমৈনা মণিপুরদা হৌখিবা চহি ২০২৩ দগী থোকখিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংগী মরক্তা মশা মথন্তা শিজবগী চাং হেনগৎলকপা অসিদা নুংনাংবা ফোংদোকখি।

মহাকা হায়- মালেমগী ওইনা মীওই লাখ ৭ লোমদি চহি খুদিংগী মশা মথন্তা শিজবগী থৌদোক থেংনরি। মসিদা রাজ্য অসিদগী মীওই ৫-৬ তগী তাদনা য়াওরি। মথন্তা শিজবশিংগী মনুংদা নহা ওইরিবা মীওইশিংনা মশিং হেনবগী মমি তাই। মরম অদুনা কনাগুম্বা মীওই অমনা ৱাখল নুংঙাইতবা, তুফক তুফাই চনবনচিংবা মওং মতৌশিং থেংনরবদি মখোয়দা নিংথিনা ৱারী শাবীবা অমদি অখঙ অহৈশিং তান্নদুনা কাউন্সেল্লিং পীবগী তঙাইফদবা লৈ হায়রি।

চহি অসিগী ওইনা নুমিৎ অসি 'চেঞ্জিং দা নেরেটিব ওন সুইসাইদ' হায়বা হীরম অসিদা পাঙথোকপনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ফেমিলি ৱেলফিয়ার সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: এন. হেমন্তাকুমার সিংহ শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অয়ুক ইনর্ফোমেসন, এদুকেসন অমসুং কম্মুনিকেসন (আই.ই.সি) কেম্পেইন হৌদোকপগা লোয়ননা মশা মতোমতা শিজবা-অত্মাঘাট তৌবা থিংনবা মীয়ামগী ওইবা মফমশিং অমসুং গাড়িশিংদা নপকদবা ষ্টিক্কর য়েন্থোকখি।

থৌরম অসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু পাঙথোকখি।

এময়ু (এল)ঃ ৱার্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন নুমিৎকা মরী লৈননা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী সাইকোলোজি দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্তা মশা মতোমতা শিজবদগী ঙাকথোকবগী পাউজেল পুবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। খোঙচৎ অদুদা সাইকোলোজি দিপার্টমেন্টকী মহৈরোইশিংনা প্লে কার্দ কয়া শিজিন্নখি। প্লে কার্দশিং অদুদা সুইসাইদ তৌবনা ঐখোয়গী অৱাবা কোক্লোই, নুংঙাইতবা অৱাবা খুদিংমক অতোপ্পা মীওইদা তমথোকউ, মমল নাইদ্রবা ঐখোয়গী পুন্সিনি হায়বনচিংবা ৱাহৈশিং শিজিন্নখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর এন. লোকেন্দ্রনা হায়- ৱাথোক কয়ানা থল্লবা রাজ্য অসিদা নুমিৎ অসি পালন তৌবা য়ামা তঙাইফদে। খুৎলায় পায়বশিংগী ৱাথোক্কী মথক্তা নিশাগী ঈপাক্তা নহা কয়া চংশিল্লকপা অমদি লাঞ্জেন্নরিবা মীওই কয়ানা লৈফম চাফম খঙদনা লেল্লিবা চৈরক অসিদা পুকিং ৱাখল শোন্থহন্দনবা থৌরাং কয়া পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ । মসিদা সাইকোলোজি দিপার্টমেন্টনা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি হায়খি।

জিএসটিঃ হন্দক্তা নৌনা শেমদোকখিবা গুদস এন্দ সাভির্সেস টেক্স (জি.এস.টি) অসিনা ওতো-মোবাইল অমদি ইন্দষ্ট্রিগী সেক্তর য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা কান্নবা পীগনি হায়না ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী

ইকোনোমিক্স দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডাঃ গুরুময়ুম তোকেন শর্ম্মনা ফোংদোরক্লি।

ঙসি অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উন্নবদা শ্রী তোকেন শর্ম্মনা হায়- মমাংদা লৈরম্বা জি.এস.টি অদুগী মনুং চন্না তায়ার মরি থোকা চাদা ৫, চাদা ১২, চাদা ১৮ অমদি চাদা ২৮ লৌরম্বনি। অদুবু অনৌবা জি.এস.টি অসিদনা তায়ার অনিদা চাদা ৫ অমদি চাদা ১৮ দা হন্থখ্রে। মসিনা ইন্দষ্ট্রিশিং চাওখৎহনবতা নত্তনা মপান লৈবাক্তা লৈবাক অসিগী পোত্থোক কয়া থাদোকপদা খুদোংচাবা ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মসিগীসু মথক্তা জি.এস.টি রেট হন্থরকপা অসিনা হিদাক লাংথক্কী পোৎলমশিং য়াওনা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংদা চাউনা মমল হন্থহন্দুনা মীয়ামদা শেল তুংশিনবা ঙম্বগী খুদোংচাবা ফংগনি।

মঙ্গি (এল)ঃ মণিপুরগী ইরাং অসিগী মতাংদা পিপলস য়ুনিয়ন ফোর সিভিল লিবরতিজ (পি.য়ু.সি.এল)গী রিপোর্ট- ওন দ ওনগোয়িং ইথনিক কনফ্লিক্ট ইন মণিপুরগী মতাংদা পি.য়ু.সি.এলগী প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেতরিগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়না মণিপুর হোমগার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট য়াংলেম মঙ্গিনা কেন্দ্র সরকারগী গৃহ মন্ত্রালয় অমদি মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাদা ৱাকৎখ্রে।

রাজ্যপালদা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা শ্রী মঙ্গিনা হায়- পি.য়ু.সি.এলনা চহি অসিগী ওগষ্টতা ফোংখিবা রিপোর্ট অসি অরানবদা য়ুম্ফম ওইবা অমসুং কাংলুপ নাইবা ৱাফম ঙাক্তনি। মসিনা লমদম অসিদা শান্তি পুরকবা লম্বীদা অপনবা ওইরে। মরম অদুনা পি.য়ু.সি.এলগী মথক্তা আইনগী ওইবা মরম চাবা লৌখৎতুনা ইরাং অসিনা শোকহল্লবশিং অমদি লমদম অসিগী মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবীয়ু হায়নসু আপীল তৌরি।

ইম্ফাল ইষ্ট (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি ফোরমেলাইজেসন ওফ মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং ইন্টরপ্রাইজেস স্কিমগী মখাদা মরু-মরাং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুংদা ইম্ফাল ইষ্টকী দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়ট ভবনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা স্কিম অসিগী মায় পাক্লবা বিনিফিসরিশিংনা মখোয়না মতৌ করমা স্কিম অসি পায়খৎপগে হায়বদুগী মতাংদা ৱাফমশিং ফোংদোকপা, সি.এল.এফশিংদা সিদ কেপিটেল য়েন্থোকপনা থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

জিরি (এল)ঃ জিরিবামগী কেশুনট দিভলপমেন্ট ওফিসার, হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন, এক্স-ওফিসিও প্রোজেক্ট ওফিসার (এম.আই.দি.ঐচ) য়াম্বেম প্রদিপনা ঙসি জিরি নিংঙোল ফারমর প্রদ্যুসর গ্রুপ, শোরোক অতিংবী খুনৌ হিল ঘাৎতা লফু, য়োংচাক, ক্বা পাম্বী, চম্প্রা য়াওনা মহয় পানবা পাম্বী চারা কয়া খুৎশিন্নখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর রুরেল লাইফলিহুদ মিসন (এম.এস.আর.এল.এম)গী ব্লোক কোওর্দিনেটর ফার্ম এন্দ লাইভষ্টোক কর্নাজিৎ থৌনাউজমনা হায়- এম.এস.আর.এল.এমনা ঙাক্লৌ পীদুনা হৌদোকখিবা জিরি নিংঙোল ফারমর গ্রুপকী মেম্বরশিংনা ঙসি পীরিবা উ চারাশিং নিয়ম চুমা থাদুনা পোত্থোক চাথোক হেনগৎহনবা অমসুং জিলা অসিদা লৌমী লুপ কয়া শেমগৎতুনা শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা তঙাইফদে। থৌরম অদুদা শ্রী কর্নাজিৎনা লৌমীশিংদা ইন্তিগ্রেতেদ ফার্মিংগী মতাংদসু শন্দোকা তাকখি।

কেভিকে (এল)ঃ আই.সি.এ.আর-এ.টি.এ.আর.আই জোন সভেন বরাপলি মেঘালায়াগী মখাদা লৈবা রাজ্য মঙাগী কে.ভি.কে ৪৩ গী এন্যুএল রিভিউ ৱার্কসোপ ২০২৫ অমদি মেলা হম্ফালগী সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতিদা ঙসি লোইশিনখ্রে। থা অসিগী ৮ দগী চত্থরকখিবা মেলা অসিদা মণিপুর,

নাগালেন্দ, মিজোরম, ত্রিপুরা অমদি মেঘালায়াগী কে.ভি.কেশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। মেলা অসিদা লৌমীশিংনা পুথোকপা পোৎলম কয়া উৎখি।

মনা (এল)ঃ সাহিত্যগী লমদা পীবা ৭ শুবা তোইজম বিহারি নিংশিং মনা ২০২৫ ঙসি অচৌবা য়ুমাম ইবা লাইরিক- উচেক লামৈদা পীখ্রে। মনা অসি বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনামদা লৈবা দা রোয়েল একাডমী ওফ লোদা পাঙথোকখিবা রাইটরস ক্লব মনিপুর লিংখৎখিবগী ৩১ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা লান্থোকখি।

উ (এল)ঃ হেরিকোন, উকল অমদি ফোরেষ্ট বিভাগনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং ব্লোকনা কোনবা উমংগী লাইকোল ৫ উ চারাশিং থাখ্রে। লাই কমিতিগা খুৎশমদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা পুন্না উ চারা ৫০০ রোম থানবা পান্দম থল্লি হায়রি।

নেপাল ঃ নেপালদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী য়েংলগা ভারত অমদি নেপালগী ঙমখৈদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং মীকুপ নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে। মরুওইনা বিহারদা লৈবা লৈবাক অসিগী ঙমখৈদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লল্লোন ঈতিক্কা মরী লৈনবা চ্যেক পোইন্ট য়াওনা লৈবাক অনিনা চংথোক চংশিন তৌবা মফমশিং মীকুপ নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে। বিহার পুলিস অমদি এস.এস.বিনা ঙমখৈ অসিদা ঙাকশেনদুনা লৈরি।

বিহারগা থংনবা ভারত অমদি নেপালগী ঙমখৈ অসি পুন্না কিলোমিতর ৭২৬ নি। মসিগী মনুংদা পাক চাওরবা ঙমখৈ শম্বল খাদবা মফম কয়া লৈবা মরমনা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলকখিবনি।

অমরোমদা, নেপালদা ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রি- নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা কেবিনেট কমিতি ওন সেক্যুরিতিগী মীফম পাঙথোক্কুনা কুপা খন্নখ্রে। ইরাং অসিনা ঙমখৈ পরিংদা লল্লোন ইতিক্কী থবক

থৌরমদা চাউনা শোকহল্লে হায়রি। নেপালদগী থোরকপা য়াদনা লৈরিবা ভারত মচাশিং মতেং পাংনবগীদমক লক্ষনৌদা অখন্নবা কন্ট্রোল রুম অমা হাংখ্রে।

ফিভম অসিগী য়েংলগা ভারত মচাশিং লৈবাক অদুদা চত্তনবা কেন্দ্র সরকারনা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে। মদুগী মতুংইন্না লৈবাক অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিং মখোয় মখোয়গী লৈফমশিংদা লেংদনা চেকশিন্না লৈনবা অমসুং চৎথোক্তনবা হায়রি। করিগুম্বা মখোয়না মতেং দরকার ওইরবদি কাঠমন্দুদা লৈবা ভারতকী এম্বেসিদা পাউ ফাওরকবা হায়রি।

মরক অসিদা, নেপালদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি লাকশিন্নবা নেপাল আর্মিনা লৈবাক শিনবা থুংনা হয়েং অয়ুক পুং ৬ ফাওবা কর্ফিউ থমজিনখ্রে।

বিক্রম ঃ ফোরেন সেক্রেতরি বিক্রম মিশ্রিগা লৈবাক অসিগী খোঙচৎতা লৈরিবা য়ুনাইতেদ আরব ইম্মরেটস (য়ু.এ.ই)গী ইন্তরনেসনেল কোওপরেসন মন্ত্রি রিম অল হসিনিগা ঙসি নিউ দিল্লিদা উন্নখ্রে। লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী রাজনীতি, লল্লোন ঈদিত, শেল থাদবা, ইনর্জি, ঙাকশেল, সেক্যুরিতি, শিক্ষা অমসুং কলা সংস্কৃতি য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা তেংবাং পীনবগী মতাংদা খন্নখি। মখোয়না লমদম লমদম অমসুং মালেমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদসু ৱারী শান্নখি।

ভারত অমসুং য়ু.এ.ই লৈবাক অনি অসি মমাংঙৈদগী হৌনা মরুপ মপাং ওইবা অমসুং অচেৎপা মরী লৈরকই। লৈবাক অদুদা ভারত মচা মিল্লিয়ন ৪.৩ লৈরি।

পনবা য়াই, চহি অসিগী জন্ থাদা ফোরেন সেক্রেতরি ব্রিকম মিশ্রি য়ু.এ.ইদা চৎলুবনি। লৈবাক অনিগী মরক্তা অৱাং থাক্কী লুচিংবশিং তোইনা চৎথোক চৎশিন তৌদুনা লম কয়াদা তেবাং পীনবা অমসুং অফবা মরী থম্বদা চাউনা মতেং ওইদুনা লাক্লি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোলঃ  দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি.এস.এ) চান্দেলনা শিন্দুনা জিলা অসিগী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হৌজিক চথুরিবা দি.সি চান্দেল ট্রোফি ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা জাফৌ ৱাই.সিনা চান্দেল খৃষ্টান ৱাই.সিবু পাঞ্জল ৫-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অদুগী জাফৌ ৱাই.সিগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু ষ্ট্রোঙমনা মেটচকী ১৮ শুবা, ৩৪ শুবা অমদি ৮৮ শুবা মিনিতা পাঞ্জল ৩ চনখি। লেমহৌরিবা পাঞ্জল অনি অদুনা মেটচকী মিনিত ২০ অমদি ৬১ শুবা মিনিৎতা ওভির অমদি নিংবুং চনখি।

ফুটবোলঃ  দি.সি. চান্দেল ট্রোফি সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা এ.ৱাই.সি.সিনা পি.এস.সি.সিবু পাঞ্জল ৪-৩ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে। অনিসুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদনা মহা মনিনা চন্দোনপোকপী দি.সিবু পেনালতি সুট আউটতা পাঞ্জল ৭-৬ তা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চংখি।

পোলো ঃ  মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ৩৮ লক শুবা এন. হজারি অমদি ডাঃ এন. তোম্বী ষ্টেট পোলো তুরনামেন্ট ২০২৫ মথং থাগী ৭ তগী ইম্ফালগী পোলো গ্রাউন্দদা হৌরগনি। এসোসিয়েসন অসিনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না তুরনামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা ক্লবশিংনা লমফেলপাৎতা লৈবা মণিপুরী পোনি ব্রিদিং ফার্মদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা লাক্কুনা অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়রি।

সেপাক ঃ গোৱাদা মথং থাগী ২৩ দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৫ শুবা সেনিয়র নেসনেল সেপাক তাক্রৌ চেম্পিয়নসিপ ফোর মেন এন্দ ৱিমেনদা শরুক য়ানবা মণিপুরগী টিম শেমবগীদমক ত্রাইয়েল সেলেক্সন হয়েংদগী থা অসিগী ১৩ ফাওবা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর সেপাক তাক্রৌ এসোসিয়েসন্না খঙহল্লক্লি।

এসিয়াঃ ১৭ শুবা এসিয়া কপ ক্রিকেটকী মেটচ অমদা ঙসি য়ুম্বু য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটসকা ভারতকা শান্নগনি।

গ্রুপ (এ) গী মেটচ অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দা দুবাই ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। ভারতকী মথংগী মেটচ থা অসিগী ১৪ দা পাকিস্তানগা শান্নগনি।

------